**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-07-2025)**

**কাং (এল)ঃ** নুমিৎ ৯ নি চখুরকপা রথ যাত্র, কাং চিংবগী থৌরম ঙসি পুর্না যাত্র নৎত্রগা কংলেন হায়না পাঙথোক্তুনা লোয়শিল্লগনি।

কাং চিংবগী মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দির, শগোলবন্দদা লৈবা শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দ, সঙাইপ্রৌদা লৈবা ইস্কোন মণি মন্দির অমসুং লৈকাই লৈকাইদা পাঙথোকখি।

ভক্তা চা কয়ানা ভগবান জগনাথ, বলাভদ্রা অমসুং মচন নুপী সুভদ্রাবু খুরুমবগীদমক অঙনবা মতমদগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দির তমা লাকখি। নুমিদাংগী মতমদা জোইদেব চোংবনা কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোংদা লৈবা গোপিনাথ অমসুং রাধা মাধপকী কাং চিংবগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

ভগবান জগনাথকী কাং চিংবগী কাংলেন নুমিৎনা লাকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

অমরোমদা, উরিষ্যাগী শেংলবা সহর পুরিদসু ঙসি অয়ুক অঙনবদগী ধর্ম্মগী ওইবা চৎনবীগা লোয়ননা মালেমদা মমিং লৈরবা ভগবান জগনাথ, ময়াম্বুং বলভদ্র অমসুং দেবী সুভদ্রাগী বদহুদা যাত্রা পাঙথোকখি। যাত্রা অসিদা ভগবান জগনাথ, বলভদ্র অমসুং দেবী সুভদ্রাগী মুর্ত্তিশিং য়াওবা কাংশিং শ্রী গুন্দিচা মন্দিরদা লৈরুরবা মতুং শ্রী জগনাথ মন্দিরদা হল্লকখিবনি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** ওল মনিপুর গভরমেন্ট দ্রাইভরস এন্দ টেকিসিয়ান্স এসোসিয়েসনগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ ভবনদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগা উন্নখ্রে।

মীহুৎ কাংবু অসিনা রাজ্যপালদা মেমোরেন্দম অমা খুৎশিন্নখি। সরকারগী দ্রাইভর অমসুং টেকিসিয়ানশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি। মখোয়গী ৱাকৎশিং রাজ্যপালনা তারবা মতুং হীরম অসিগী মতাংদা করি থবক লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগনি হায়না মীহুৎ কাংবু অদুদা থমখি।

**স্কুল (এল)ঃ** কো-ওর্দিনেটিং কমিতি ওন দিসটরভেন্স ফ্রি এদুকেস্নেল জোন দিমান্দনা শিনদুনা ঙসি ১৮ শুবা দিসটরভেন্স ফ্রি এদুকেস্নেল জোন দিমান্দ ডে-২০২৫ পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা য়াম্লবা মহৈরোইশিং অমসুং ওজাশিংনা থাউ গ্রাউন্দদগী ইম্ফাল কলেজ ফাওবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎখি। মদুদা স্কুলদা অকি-তুজং পোকহনগনু, স্কুলশিংদা নীংথিনা লাইরিক তম্বা ফংহল্লু হায়বনচিংবা প্লে কার্ডশিং পুদুনা চৎখি।

ককচিং অমসুং থৌবাল জিলাগী ওইনা বাশু গ্রাউন্দদগী থৌবাল কলেজ ফাওবা খোঙচৎ অমা চৎখি। খোঙচৎ অদুদা চহি অমদা ক্লাস তৌবা নুমিৎ মশিং ২২০ দগী হন্থবা য়াদে হায়বা আইন সরকারনা শেম্বীয়ু। শিক্সাগী লমদা সরকারনা রাজনিতি তৌবিগনু। শিক্সাগা মরী লৈনবা থবকশিংদা শেঞ্জা থুমজা, মীচং মীখায় নাইবা থৌওংশিং তৌবীগনু হায়বা প্লে কার্ডশিং পায়দুনা মহৈরোইশিংনা খোঙচৎ অমা চৎখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনসু দি.এস.এ. গ্রাউন্দদগী ইকো ক্লব ফাওবা মহৈরোইশিং অমসুং ওজাশিংগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎখি।

**মোমা(এল)ঃ** মনিপুরবু ওর্গানিক্কী লমদা মালেমদা মমিং লৈহন্নবা পান্দমদা অমসুং রাজ্য অসিদা ওর্গানিক্কী ওইবা পোৎথোকশিং হেন্না পুথোকবা পান্দমদা মনিপুর ওর্গানিক মীসন এজেন্সি (মোমা) না য়ুনাইটেদ আরব ইমরেটসকী অজমানদা অখন্নবা ওগার্নিক আউটলেট অমা হাংদোকখ্রে।

রাজ্যগী হোর্টিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জারভেসন অমসুং এগ্রীকলচর বিভাগকী মখাদা মোমানা আউটলেট অসি হাংদোকপনি। থৌরাং অসি কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমসুং লৌমী য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়গী মীসন ওর্গানিক ভেল্যু চেন দিবলপমেন্ট ফোর দি নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগী মখাদা পায়খৎপনি। হায়রিবা আউটলেট অসি মোমাগা লোয়ননা মনিপুর মিদল ইষ্ট ফুদ স্তফ ত্রেদিংগা খুৎশমরগা য়েংশিনগনি।

আউটলেট অসি এগ্রীকলচর অমসুং ৱাক্সকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি-অরুন কুমার সিনহানা ভরচুয়েল ওইনা হাংদোকখি। হোর্টিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জারভেসনগী দিরেক্তর-শ্রী কে. দেবদত্তা শর্ম্মা, এগ্রীকলচরগী দাইরেক্তর-প্রিটর সলামনা মফম অদুনা লৈদুনা হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখি।

আউটলেট অসি হাংদোকপগী মতাংদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি-অরুন কুমারনা হায়-দুবাইদা হাংদোক্লিবা আউটলেট অসি মফম অদুদা লৈবা মনিপুরি মচাশিংনা চলাইগনি। থৌরাং অসিনা লমদম অসিদা ওগার্নিক্কী ওইবা লৌউ পথাপ চথরিবা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোনদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

**দেসাম (এল) ঃ** কো-ওর্দিনেতি কমিতি ওন দিষ্টরবেন্স ফ্রি ইদুকেসনেল জোন দিমান্দনা শিন্দুনা মহৈ মশিং তম্বদা অয়েৎ-অপন লৈহন্দনবগী খোঙচৎ অমা ঙসি অয়ুক ইম্ফালগী থাংমৈবন্দদা লৈবা থাউ গ্রাউন্দদগী ইম্ফাল কলেজ ফাওবা চৎখি।

তুংদা, ইম্ফাল কলেজদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মনিপুরদা চহি অনি হেঞ্জিল্লক্লবা, ইং ২০২৩ গী মে অহুমদগী হৌরকখিবা কাংলুপকী হরাং লোয়শিন্নবা কেন্দ্র সরকারনা থবক কয়ামরুম পায়খৎলি।

এম.এল.এ. ৱাই. খেমচান্দ সিংহনা সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল

অমদা হায়-লমদম অসিদা শান্তি অমসুং মহৌশাগী ফিভমদা হনজিল্লকবা লৌখৎপা মরুওইবা থবকশিংগী মনুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চখদুনা খুৎশু খুৎলায়শিং লৌখৎপগী থবক চথরি। শিংথানিংঙাই ওইনা হৌখিবা থা অসিদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং তম্পাক্কী জিলাশিংদগী ফাগৎপা ঙমখ্রে। হন্দক্তা ইকুই কুইদনা চিংগী জিলাশিংদগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখ্রে। রাজ্য অসিদা আইন অমসুং শান্তি রক্সা ঙাক্তুনা থমবগীদমক থৌরাং অসি য়ামা মরুওই অমসুং মসিনা মীয়ামদা আশা খরা উহল্লে। মসিগী মথক্তা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী ওফিসিএলশিংনা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং য়াওনা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী লুচিংবশিং অমসুং মীহুৎশিংগা শান্তিগী ৱারী শান্নরি। অসিগুম্বা ৱারী শান্নবা অসিনা লমদম অসিদা ইং তপ্পা অমসুং মহৌশাগী ফিভমদা হনজিলহল্লকপদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি খল্লি।

শ্রী খেমচান্দনা হায়-গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহগী লুচিং মখাদা থবক কয়ামরুম লৌখৎলে। মসিগী মনুং চন্না অহানবা খোঙথাং ওইনা ইরাং অসি লোয়শিনবা হায়বসিনি। ইরাং অসি লোয়শিন্নবা মহাক্কী দায়ত্ব অসিবু থাগৎনিংঙাইনি। ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা লমদম অসিগী মীয়ামনা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং লাক্লিবা মতম খরা অসিদা মখোয়গীদমক খনদুনা থবক কয়া লৌখৎলক্কনি খল্লি। মহাকা হায়-মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা, গভনর ইন-কাউন্সিলগী মেম্বরশিং, সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংনা লৌরিবা থৌদাংবুসু থাগৎনিংঙাইনি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি মীওই ১৬ নৌনা কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা থেংনখি। বিষ্ণুপুর জিলাদা মীওই ১২ টেষ্ট তৌবদা মীওই তরেৎ, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা মীওই ১৪ টেষ্ট তৌবদা মীওই তরুক অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা মীওই ৮ টেষ্ট তৌবদা মীওই অহুম পোজিটিব ওইখি। মসি থারগা রাজ্য অসিদা হৌজিক ফাওবদা কোবিদ পোজিটিব ওইবা অপুনবা মীশিং ২৯৬ শুরে।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মীওই ১৩ নাবা ফাদুনা দিচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা মীওই ২৩০ নাবা ফখ্রে। হৌজিক এক্তিব কেস ৬৬ লৈরি। হোম আইসোলেসনদা এক্তিব কেস ৬২ লৈরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই ১২ নাবা ফাখি।

**ফোরেষ্ট(এল)ঃ** মনিপুর পুলিস ত্রেন্নিং কলেজ-পাংগৈনা মনিপুর ফোরেষ্ট বিভাগকা খুৎশমদুনা ঙসি বন মহোটসব ২০২৫ পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা মনিপুর পুলিস ত্রেন্নিং কলেজগী দাইরেক্তর ইন-চার্জ-এস. গৌতম সিংহ অমসুং দি.এফ.ও. সেন্ত্রেল ফোরেষট দিভিজন-বিক্রম সুরেসনা লুচিংদুনা ৱাইরি ফয়ারিং রেঞ্জ কেম্পসতা উ চারা লিশিং অনি হেন্না থাখি। থৌরমদুদা মীওই ২০০ রোমা শরুক য়াবগা লোয়ননা উমং কন্নবগী মতাংদা মখোয় মখোয়গী মোতশিং ফোংদোকখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেল জিলাদসু দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-চান্দেলনা শিনদুনা ঙসি বন মহোটসব থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা চান্দেল খৃষ্টান ভিলেজ, কোনোনিয়া স্কুল, য়ুনাইটেদ কলেজ চান্দেল, য়ুনাইটেদ স্কুল-সেরৌ অমসুং খেংজোই খুলগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ চারা লিশিং অমা হেন্না থাখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা দি.এফ.ও. চান্দেল-এন. মুলাল মীতৈনা হায়-ঙসি থারিবা উ চারাশিং অসি করম্বা খুলনা খ্বাইদগী মায় পাকা হৌহনবা ঙম্বদা শেলগী মনা পীগনি। মরম অদুনা, চাংদমবা অসিদা খুলশিংনা শরুক য়াবীয়ু। মহাকা হায়-চহি অসিগী ওইনা জিলা অসিগী খনগৎলবা মফম ২৬ তা উ চারাশিং থাগনি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা ঙসি বিয়ার কঞ্জারভেসন হায়বদি শওম ঙাক শেনদুনা থম্বা অমসুং ফোরেষ্ট প্রোটেক্সনগী

মতাংদা মীয়ামবু হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমা তমেংলোং জিলাগী তৌসেম রেঞ্জতা লৈবা ফেলোংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, তোঙান তোঙানবা মখলগী শওমশিং ঙাক শেন্নবা অমদি মখোয়না অকোইবগী খল ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং অমদি শা মখল অসি মাঙথরকপগী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না খঙহন্নবনি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী বোরোবেক্রা সি.এস.টি, পি.এন.বি বোরোবেক্রা গ্রাম পঞ্চায়টতা ফাইন্সিয়েল ইনক্লুজন সেচুরেসন কেম্পেইন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থা অসিগী অমদগী হৌরগা সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসিগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী ওইনা মহৈরোইশিংগী অধার এনরোল তৌনবা অমদি অপদেদ তৌবগী থবকশিং থা অসিগী ৮ দগী ১০ ফাওবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-তেংকোংজাং হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমসুং তাজৈ পব্লিক হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা অধার এনরোল তৌবগী থবক হায়রিবা মতম অসিদা পাঙথোক্কনি।

**নোংঃ** ইন্দিয়া মেট বিভাগনা, মনিপুর, মিজোরাম, ত্রিপুরা, নাগালেন্দ, নোংচুপ বেঙ্গোল, জম্মু কাশ্মির, অরুনাচল প্রদেস, হরিয়ানা, সিক্কিম, তামিল নাদু, উত্তর প্রদেসনচিংবা মফমশিংদা লাকিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবা ময়াই ওইরপ্পদগী অকনবা মওংদা নোং চুগনি হায়রি।

বিভাগ অসিনা হায়-অসাম, মেঘালয়া, নোংচুপ বেঙ্গোল, গুজরাট, ঝরখন্

দ, উত্তরাখন্দ, গৱা, মহারাস্ত্রগী মফম কয়াদা থা অসিগী ৮ ফাওবা নোং কন্না চুগনি। লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা, ময়াই থংবা অমসুং নোংপোক থংবা রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা নোং চুগনি হায়না ওরেঞ্জ অমসুং য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে।

বিভাগ অসিনা-মধ্য প্রদেসতা ঙসি অকনবা মওংদা নোং চুগনি হায়না রেড এলার্ট লাউথোকখ্রবা মতুং রাজ্য অদুগী মফম কয়াদা পাক্তকনা নোং চুরে। মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিল্লে। মধ্য প্রদেসকী নরশিংপুরগী ষ্টেট হায়ৱে ২২ দা লৈবা থোং অমা ঈশিংনা চেন্থখ্রে। মফম কয়াদা ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরে।

**ব্রিক্সঃ** ব্রাজিলগী রিওদি জেনেরিওদা হয়েং অমসুং হংচিৎ পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক্স মীফমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি। ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা লৈবাক অদুদা চৎপা চহি ৬০ গী মতুংদা অহানবনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা শ্রী মোদিনা ব্রাজিলগী রাস্ত্রপতি-লুয়িস ইনাসিও লুলা দা সিলভা অমসুং মালেমগী অতৈ লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নগনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-মহৌশাগী ফজবনা থল্লবা রিওদি জেনেরিওনা ১৭ শুবা ব্রিক্স মীফম য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি। মীফম অদুগী মফমনা ম্যুজিয়ম ওফ মোর্দন আর্টতনি। মফম অসি মালেমগী লম কোইফম অমনি। প্রধান মন্ত্রিনা ব্রিক্সতা য়াওরিবা লৈবাক তরাগী লুচিংবশিংনা ৱারী শান্নগনি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি ত্রিনিদেদ অমসুং তোবেকোগী খোঙচৎ মায় পাক া লোয়শিনখ্রবা মতুং অরজেন্টিনাগী কোনুং বুনোস আইরেসতা ঙসি অয়ুক থুংখ্রে। মহাকা অরজেন্টিনাদা হেক থুংবগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংনা হরাও তয়ামা ওকখি।

শ্রী মোদিনা অরজেন্টিনাগী ফ্রিদম ফাইটর অমসুং নেসনেল হেরো-জেনরেল য়োসে দি সাং মারটিনগী মীতমদা ইকায় খুমবা উৎখি। অরজেন্টিনাগী খোঙচৎ লোয়রবা মতুং প্রধান মন্ত্রি ব্রিক্স মীফম য়াওনবা ব্রাজিলদা চৎকনি। মদুগী

তুংদা, নমিবিয়াদা চৎকনি।

**লালুঃ** বিহারগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-লালু প্রসাদ যাদবপু রাস্ত্রিয়া জননতা দল (আর.জে.দি) গী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরগনি।

মহাকা ফম অসি পায়বা হন্দক্কী অসি থারগা ১৩ রক শুবনি। পাটনাদা পাঙথোকপা আর.জে.দিগী নেসনেল কাউন্সিলগী মীফমদা মহাকপু লম্বা য়াওদনা মীখলদা মায় পাকখিবনি। ইং ১৯৯৭ গী জুলাই ৫ দা শেমখিবা আর.জে.দি. শেমখিবনি।

**ফুটবোলঃ** অনিশুবা প্রিমিয়র লিগ ফুটবোলগী ঙসি তাকয়েলদা লৈবা সাই গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা-য়ু.দি.ওনা য়ুথ সোসিএল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

য়ুনাইটেদ-চান্দেল এফ.সিনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি অদুগা অসুফি এফ.এনা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**সাইকলঃ** স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া, এস.টি.সি. খুমন লম্পাক ইম্ফালনা শিনদুনা হয়েং সন্দে ওন সাইকল পাঙথোক্কনি। শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদা লৈবা-দা নৈনশঙ ক্লবতা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা সাইকল রেল্লি অদু সি.আর.পি.এফ. গ্রুপ সেন্টর-লাংজিংগী কম্মান্দেন্ট অমসুং পদ্মশ্রী এন. কুঞ্জরানি দেবীনা লমথাগনি। সাইকল রেল্লি অসি-নৈনশঙ ক্লবতগী হৌরগা ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বীশিং চৎলবা মতুং ক্লব অসিদা অমুক হন্না পন্থুংফম ওইগনি হায়রি।

**বেদমিন্টনঃ** ভারতকী কিদমবী শ্রীকান্ত, কনাডা ওপন সুপর থ্রি হন্দ্রেদ বেদমিন্টন

টুর্নামেন্টতা নুপাগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

মহাকা টোপ সিদ অমসুং ৱার্ল্ড নম্বর সিক্স-চাইনিজ তাইপৈগী চৌ-তিয়েন চেনবু ষ্ট্রেট সেটতা ২১-১৮, ২১-৯ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংল্লকখিবনি।

**খেল্লোঃ** অহানবা খেল্লো ইন্দিয়া ৱাটর স্পোর্টস ফেষ্টিবেল মথং থাগী ২১ দগী শ্রীনগরগী দাল লেকতা হৌরগনি।

ৱাফম অসি কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি-মনশুখ মন্দাভিয়ানা লাউথোকখিবনি। মদুদা তোঙান তোঙানবা মশান্ন মঙা শরুক য়াগনি।